হুইয়েন লানপাউ
Refreshingly Readable
HL
The messenger of the masses

রাখ্বৈ হিজম লৈরক্তগী দিনেশনা পুখ্রিদগী ফারকপা পিকোক সোফট সেল টরটল অমা পিপল ফোর এনিমেলসকী টিমদা শিন্নবগী শক্তম

মতিক চাবা প্রিন্সিপাল হাপ্পু, ইনফ্রাষ্ট্রকচর নীংথিনা শেমগৎলু হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা আই টি আই তাকয়েলগী মহৈরোয়শিংগী ৱাকৎ খোঙচৎকী শক্তম

মণিপুর পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দ, দেসাম অমদি সিটি পুলিসকী টিমনা ইম্ফালগী মসজিদ রোদ অমসুং থাঙ্গাল কৈথেলদা দ্রাইব চথদুনা পোলি-ঠিন খাউশিং ফাগৎপা

কংলৈ শৈশক্লোন শিন্দমশঙনা শীন্দুনা নোর্থ সেন্ট্রেল জোন কলচরেল সেন্টর, মিনিষ্ট্রি ওফ কলচরগী শেন্থং মখাদা পাঙথোকপা ফেষ্টিবেল ফোক দান্স

Vol. 41, Issue No.230 | লৈবাকপোকপা, হিয়াঙ্গৈগী ২৬নি পানবা | অপুনবা লামায় মশিং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Tuesday, November 14, 2017, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

থাউগী মমল

ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট

পেট্রোল : লিটরদা লুপা ৬৭.৮৩
দীজল : লিটরদা লুপা ৫৬.৫৯

আই ঈ দি মানবা শীজিন্নরে : পুলিস

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩ : সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি এজেন্সিশিংনা তোঙান তোঙানবা এয়রপোর্টশিংদা মোদিফাইদ পৱার বেঙ্কশিং থেংনদুনা ফাগৎখিবা কেস ২৮ রোম থোকখ্রে হায়না গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্সনা ষ্টেট খুদিংমক্কী ডি জি পিশিংদা লেট্টর অমা থাদুনা...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

বন্দ তৌগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩(ঐচ এন এস): কুমজা ২০১৩ বেটচ, রিরিক্রুটমেন্ট ২০১৬ মণিপুর পুলিস কন্সটেবল মেল সিভিলগী রিজল্ট থা অসিগী ১৪ ফাওবগী মনুংদা লাউথোকপীয়ু। লাউথোক্তবদি বন্দ নৎত্রগা ইকনমিক ব্লোকেদকী খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না ওল মণিপুর দি পি সী কমপ্লিটেদ রিরিক্রুটমেন্ট কেন্দিদেট ওফ পুলিস কন্সটেবল মেল ২০১৩ বেটচ কাংপোকপী...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	76.300415
US Dollar	65.449977
British Pound	85.72617
Australian Dollar	50.021084
Chinese Yuan Renminbi	9.855207
Japanese Yen	0.577638
Malaysian Ringgit	15.620089
Norwegian Krone	8.037863
Singapore Dollar	48.074551
South Korean Won	0.058488
Swedish Krona	7.810036
Turkish Lira	16.846473
Myanmar Kyat	0.04797
Bangladesh Taka	0.78501

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs 30149.73
Mumbai	–	Rs 31090.91
Delhi	–	Rs 30481.28
Kolkata	–	Rs 31026.74

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা ফংবিগনি

অ ঈং-অশাগী পাউ

মফম	খ্বাইদগী শাবা	খ্বাইদগী ঈংবা
বিষ্ণুপুর	২৭.২৬ °C	১৩.৯৯ °C
চান্দেল	৩১.৫১ °C	১৫.০৬ °C
সীসীপুর	এন এ °C	এন এ °C
ইম্ফাল	২৯.৫১ °C	১৩.৪৪ °C
সেনাপতি	২৭.৮৬ °C	১০.৬৮ °C
তমেংলোং	৩১.৫২ °C	১৯.৬৯ °C
থৌবাল	২৭.৬৫ °C	১৪.৯৩ °C
উখ্রুল	২২.৩৫ °C	১১.১৮ °C
মণিপুর	৩২.২১ °C	১০.৬৮ °C

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.০১ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.২৯
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.২৮
দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট,জি ও এম

HL POLL

Q : Bomb pokkhaihanduna personal ani hatpa, kayana sokhankhibadu cheksinba watpadagini khanbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Chang naina toti eeshing tahandabana miyamna leingakta tax thidabani haina louba yabra?

Yes 62% No 38%

অস! লোইরেহে!

স্কুলদা ইন্সপেক্সন লাক্কনিয়ে...!

[illegible]



ইন্সপেক্সন লাক্কনি হায়রগা নঙনা মকে শেল্লিবদুদি করিগীনো...?

[illegible]

এন ঈদা ইন্দিয়াগী অহানবা এয়র দিস্পেন্সরি লৈরগনি : ডা. জিতেন্দ্র

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ১৩(পি আই বি): অৱাং নোংপোক্তা ইন্দিয়াগী অহানবা এয়র দিস্পেন্সরি লৈরগনি হায়না দিভলপমেন্ট ওফ নোর্থ ইষ্টর্ন রিজন (দোনর) মিনিষ্টর ডা. জিতেন্দ্র সিংহনা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না হায়খি, হেলিকোপ্টর শীজিন্নগদৌরিবা থৌরাং অসিগীদমক অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা দোনর মিনিষ্ট্রিনা লুপা ক্রোর ২৫ কায়থোকখ্রে।

এভিয়েসন সেক্টর অমদি হেলিকোপ্টর সার্বিস/পৱন হন্সকী মীহুৎশিংগা উনদুনা ৱারী শানরবা মতুংদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরনা হায়খি, দোনর মিনিষ্ট্রিনা মতম খরগী মমাঙদগী মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদা হেলিকোপ্টরদা য়ুম্ফম ওইবা দিস্পেন্সরি/ও পি দি সার্বিসকী খুদোংচাবা ফংহন্নবা থৌরাং লৌখত্তুনা লাকখি। ডোক্টর অমসুং অনা-লায়েংগী খুদোংচাবা লৈতবা মফমদা অনা-অয়েক য়াওরকপা মতমদা খুদক্কী ওইনা মীওইবগী পূন্সি কন্নবগীদমক থৌরাং অসি লৌখৎপনি।

দোনর মিনিষ্ট্রিনা হৌদোকখিবা থৌরাং অসি সিবিল এভিয়েসন মিনিষ্ট্রিনসু অয়াবা পীবগা লোয়ননা হেলিকোপ্টর কয়া এয়র দিস্পেন্সরি ওইনা শীজিন্নবা হৌরগনি হায়রি।

সেন্টরনা অৱাং নোংপোক লমদমগী মীয়ামদা তম্বা অনৌবা খুদোল অমা ওইনা মথং চহী

হৌগৎলকপদা থৌরাং অসি লৌখৎপা হৌরগনি হায়না দোনর মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি, ঙসি ঙসিমক ইনি দয়াগী অপুনবা মীশিংগী শরুক অহুম থোকপগী অমা অনা-লায়েংগী খুদোংচাবা ফংদ্রি। মনুং হঞ্জিনবা মফমদা লৈবা মীওইশিং অনা-অয়েক য়াওরকপা মতমদা লায়েংনগী খুদোংচাবা ফংদবনা মনুং মতম চাদনা শিবগী থৌদোক তোয়না থোক্লি।

চাংয়েং ওইনা অৱাং নোংপোক লমদমদা পায়খৎকদৌরিবা থৌরাং অসি জম্মু এন্দ কাশ্মীর অমদি হিমাচল প্রদেশকুম্বা অতৈ চীংগী ষ্টেটশিংদসু পায়খৎলগনি।

এয়র দিস্পেন্সরিগী মতাংদা ডা. জিতেন্দ্র সিংহনা হায়খি, অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা মণিপুরগী ইম্ফাল অমসুং মেঘালয়াগী শিলোংদা হেলিকোপ্টর থমগনি। পোষ্ট গ্রেজুয়েট মেদিকেল ইন্সটিট্যুট লৈবা সিটি অনী অসিদগী স্পেসলিষ্ট ডোক্টরশিং হেলিকোপ্টরদা পুরগা অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেট নিপানদা অনা-লায়েংগী থবক্তা শীজিন্নগনি। হল্লকপগী লম্বীদা হেলিকোপ্টরনা হোস্পিটালদা পুখৎপগী মথৌ তাবা অনাবা মীওইশিং হোল্লকপা য়াগনি।

অৱাং নোংপোক্তা পায়খৎকদৌরিবা অনৌবা হেলিকোপ্টর সার্বিসকী মতাংদা মহাক্না হায়খি, এঞ্জিন অনী পানবা হেলিকোপ্টর অহুম অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা ইম্ফাল, গুৱাহাটি অমসুং দিব্রুগরগী অকোয়বা মফমশিংদা শীজিন্নগনি।

চান্দেলদা বোম পোকখায়বদা এ আরগী পার্সনেল ২ শিরে, ৬ শোক্লে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩ (ঐচ এন এস): চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী চান্দেল পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা মহামনি ভীলেজ ময়াদা লৈবা ১৮শুবা এ আরগী কেম্প মনাক্তা ঙসি অয়ুক পুং ৬ লোম তাবদা মতিক ময়াই নীংথিনা লৈরবা বোম অমা পোকখায়রকপদা ২৬ সেক্টর অসাম রাইফলসকী মখাদা লৈবা ১৮শুবা এ আরগী পার্সনেল অনী শিরে অদুদা অতোপ্পা তরুক্না অশোক-অপন নংলে।

বোম পোকখায়হনবগী থৌদোক অদু পি এল এগী দিমোলিসন য়ুনিটকী কাঙবু অমনা চথখিবনি হায়না রেভল্যুস্নরি পিপলস ফ্রন্ট (আর পি এফ) কী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি পব্লিসীটি বঙ্কিমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ক্লেম তৌরকখ্রে। *(ক্লেম লামায় ৩দা)*

থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা এ আরগী পার্সনেল অনী অদুদি ইন্দ্র সিংহ (রাইফলমেন নম্বর জি/ ১৮৪৮০৬/জি দি) অমসুং সোহান লাল (রাইফলমেন নম্বর জি/ ৫০১৩৮৫০/জি দি)নি। অদুগা শোক্লবশিং অদুদি এস সরকার (রাইফলমেন নম্বর জি/১৮৪৭ ৮১/জি দি), এন শ্যামকুমার (রাইফলমেন নম্বর জি/৫০০৬ ৩২৭/জি দি), তিরেন্দ্রনাথ দাস (রাইফলমেন নম্বর জি/৫০১৩ ১৩২/জি দি), রাম গোবিন্দ সিংহ

(রাইফলমেন নম্বর জি/৫০০০ ৩৭০/জি দি), নির্মল রোয় (রাইফলমেন নম্বর জি/৫০০ ৬৭৩৬/জি দি) অমসুং লালনুনপুয়া (রাইফলমেন নম্বর জি/৫০১১ ৮২৬/জি দি)নি হায়রি।

থৌদোক থোকফমদগী ফংবা পাউনা হায়, ঙসি অয়ুক পুং ৬ খরা হেল্লকপদা চান্দেল দি সী রোদতগী চঙশিল্লগা লৈবা মহামনি ভীলেজদা লৈবা ১৮শুবা এ আরগী পার্সনেলশিংনা মমাঙঙৈগুম ফিজিকেল ট্রেনিংগীদমক পার্সনেল ২০/৩০ রোম্না কাঙলূপ ওইনা ১৮শুবা এ আরগী অহানবা গেটতগী অনীশুবা গেটরোমদা চঙশিল্লকপদা গেট অনী অদুগী ময়াইৱায়দা লৈবা মহামনি ভীলেজগী চর্চ অমসুং ভেটিরিনরি ওফিস অনীগী মপাদা, লম্বীগী মতায় ওইনা চীংখোঙ ময়াদা বোম অদু পোকখায়রকখিবনি। বোম পোকখায়ফম অদুদা ফুট ২ রোম লুবা অমসুং ফুট ৩ লোম পাকপা কোম অমা তৌখি।

পুলিসতগী ফংবা পাউ অমগী মতুং ইন্না, পোকখায়খিবা বোম অদু আই ঈ দি ওইগনি হায়না পানরি। রিমোট কন্ট্রোল দিভাইস শীজিন্নদুনা বোম অদু পোকখায়হনবা ওইগনি হায়রি।

বোম পোকখায়হন্দুনা এ আরগী পার্সনেলশিংদা এটেক চথরে অমসুং পার্সনেল অনী লৈখিদ্রে অমসুং তরুক্না শোক্লে হায়বা পাউ অদু ফংবদগী লাম্নীগী হেলিকোপ্টর অমা মফমদুদা পাইশিল্লক্তুনা অশোকপশিং অদু লৈমখোংদা লৈবা লাম্নীগী হোস্পিটালদা লায়েংনবা পুখ্রে হায়রি।

বোম পোকখায়বা তুংদা ১৮শুবা এ আরগী ...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

চরাথোং তত্তুনা ট্রক অমা মখাদা তাশিনখ্রে, এন ঐচ-৩৭ ফাউনদ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩(ঐচ এন এস): বিলাটিমাটি পুদুনা লাকপা ট্রক অমা ইম্ফাল-জীরি লম্বীগী নুঙ দলাল মনাক্তা লৈবা চরাথোং লাল্লিঙৈদা থোং অদুগী নাকল নাম্মগী য়োৎ তৎখিবদগী ট্রক অদু মখাদা তাশিনখ্রে।

থৌদোক অসি ঙসি অয়ুক পুং ৭ লোম তাবদা থোকখিবনি। বিলাটিমাটি পুবা ট্রক অদুনা থোং অদু ফুট ৩০ রোম থৌরক্লবা তুংদা ফম্পাক ফারিবা থোং অদুগী নাকল নাম্মাগী য়োৎ অদু তৎলকখি। মদুনা মরম ওইরগা থোং অদু পৈথরকখি হায়রি।

সোসল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ভীদিও ফুটেজগী মতুং ইন্না ট্রক অদু অহানবদা থোং অদুবু পুরিবা অচৌবা টারাদা ঙাশিল্লগা লৈবা উখি। ফীভম চারক্তবদগী গাড়ী অদুবু থৌরিবা দ্রাইভর অমসুং সেকেন্দ দ্রাইভর গাড়ী অদুদগী কুমথরকখি।

থোং অদু তত্তুনা মখাদা তাখিবা য়াবগী ফীভম উরকপদগী মী অমত্তা থোং মথক্তা লৈবা উখিদে। ঙাইহাক লৈরবা তুংদা থোং অদুগী নাকল নাম্মা পুরিবা য়োৎকী বারদা ঙাদুনা লৈরম্বদগী ট্রক অদু মখাদা তাশিনখি।

য়াম্না ফীভম চাদবা মওংদা য়োৎকী ফম্পাক তেকথখিবা নাকলদা ফাবা য়োৎকী বার তেকখিবনা মরম ওইরদুনা থোং অসিগী ফীভম শাথিনা কায়রে। গাড়ী লানবদি লায়রদনা মী লাম্হোক লানশিন তৌবা ফাওবা কিনরে হায়রি।

নেসনল হায়ৱে-৩৭কী সিবিলোং মনাক্তা লৈবা চরাথোং তৎখিবনা মরম ওইদুনা ইম্ফাল-জীরি লম্বী ফাওনখিদ্রে। থোং অসি নৌহৌননা অমুক শেমজিন্নবা হোৎনবদা নুমিৎ খরনিদি চঙলবা য়াই হায়রি।

মরকসিদা, জীরিবামদগী ইম্ফাল-লোমদা চঙলক্কদবা, ইম্ফাল-জীরিবামরোমদা চৎখিবা মখল মখা কয়াগী গাড়ীশিং লম্বীদা পন্দুনা লৈরি। ঙসি নুমিদাংৱাইরম ফাওবদি থোং অসি শেমজিন্নবা মরী লৈনবশিংনা থবক অমত্তা পায়খৎপা উদ্রি। হীরম অসিগী মতাংদা দ্রাইভরশিংনা মণিপুর লৈঙাক্কী মীৎয়েং চিংশিল্লক্লি।

পাউমীশিং কিহন-খঙহনবগী ৱাকৎ তানবা পুলিস ওফিসর দিজিগনেট তৌনবা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩(ঐচ এন এস): মিদিয়াগী মীওইশিং ওৎপী-নৈবীবা নৎত্রগা কিহন-খঙহনবগী ৱাকৎশিং তানবা সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস (এস পি)গী থাক্তগী তাদবা পুলিস ওফিসর দিজিগনেট তৌনবা প্রেস কাউন্সিল ওফ ইন্দিয়া (পি সী আই)না মণিপুর লৈঙাক্তা খঙহল্লকখ্রে।

এদিটরস গিল্ড মণিপুরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, কুমজা ২০১৫ গী দিসেম্বরদা এদিটরস গিল্ড মণিপুরগী সেক্রেটরি য়ুম্লাম রুপচন্দ্রগী য়ুমদা বোম থমজিন্দুনা কিহল্লম্বা থৌদোক্কী মতাংদা লৌখৎপা সূ মোটো কেসকী মতুংদা পি সী আইনা দিসিজন অমা পীরদুনা ফোঙদোকখিবনি। পি সী আইনা সূ মোটো কেস অদু পায়খৎখিবনি। কেস অসিগীদমক ইনক্বারি কম্মিটি অমসু শেমখি।

ইনক্বারি কম্মিটিগী অরোইবা হিয়ারিং চহীসিগী জুলাই ১৩ দা ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখি...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

ইরান অমদি ইরাকতা য়ুহা হাবদা মীওই ৪০৭ শিখ্রে

টেহরান, নবেম্বর ১৩ (এজেন্সী) : রিক্টর স্কেলদা মেগ্নিচ্যুদ ৭.৩গী চাংদা কন্না য়ুহা হাবগী থৌদোক অমা থোকখিবদা ইরাক অমদি ইরানদা মীওই ৪০৭ লোম শিরে হায়না লৈবাক অনীগী ষ্টেট মিদিয়ানা ফোঙদোকখ্রে।

মী কনবগী থবক পায়খৎলিবা রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা অতেক-অকায় মরক্তা ননশিনখ্রবা মীওই কয়া কন্নবা হোৎনরি। ষ্টেট টেলিভিজননা হায়খি, ইরানদা মীওই ৩২৮ শিখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা মীওই ২,৫০০ রোম অশোক-অপন নংলে। রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা অশিবা হকচাং কয়া অতেক-অকায় মরক্তগী লৌথোক্লবা হোৎনরিবা মরম্না অশিবা মীগী মশীং হেনগৎলকপা য়াই হায়না থাজনরি।

নোংচুপ থংবা ইরানগী তোঙান তোঙানবা প্রোভিন্স কয়াদা য়ুহা হাবগী ইনিল ফংখি। অদুবু খ্বাইদগী ফীভম থীনা শোক্লবা প্রোভিন্সতি কর্মানশাহনি। ইরাককী ঙমখৈদগী কিলোমিটর ১৫ লাপ্না লৈবা প্রোভিন্স অসিগী শর্পোল-ঈ-জহাব কাউন্টিদা মীওই ২৩৬ হেন্না শিখি হায়রি।

ইরানিয়ন ষ্টেট টেলিভিজনগী রিপোর্টনা হায়খি মদুদি, য়ুহা হাখিবগী থৌদোক অদুদা লৈবাক্না ফক্লাং খাবা খুঙ্গংগী য়ুম কয়ামরুম অমাঙ-অতা থোকখি। অতেক-অকায় ময়াম্না ননশিনখ্রবা মীওইশিং কন্নবা হোৎনবদা রেস্ক্যু ৱার্করশিং অৱাবা কয়া মায়োক্নরি। য়ুহা হাখ্রবা মতুংদা মফম কয়াদা লেন্দস্লাইদ তৌরকপদগী মী কনবা অমসুং মতেং পাংবগী থবক্তা অপনবা থোকহনখি। থৌদোক অদুদা ইরানগী প্রোভিন্স ১৪ অমাঙ-অতা থোক্লে হায়না ষ্টেট টেলিভিজনগী রিপোর্টনা ফোঙদোকখি।

ইরানগী সুপ্রিম লীদর অয়াতোলা অলি খামেনিনা থৌদোক অদুগী মতাংদা অৱাবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা গভর্ণমেন্টকী এজেন্সী পুম্নমক মানা মানা ঙম্বা থাক্তা মীয়ামগী মতেং পাংনবা থৌরাং লৌখৎকদবনি হায়না খঙহনখ্রে।

য়ু এস জিওলোজিকেল সর্ভেগী রিপোর্ট মতুং ইন্না ইরান অমদি ইরাক্তা থোকখিবা য়ুহা হাবগী থৌদোক অদু রিক্টর স্কেলদা ৭.৩ য়ৌনা কনখি হায়রি।

ইরাককী মেটিওরোলোজিকেল ওফিসলশিংনদি কর্দিষ্টান রিজনগী সুলেমানিয়া প্রোভিন্সতা ইপিসেন্টর ওইখিবা থৌদোক অদুগী মেগ্নিচ্যুদ ৬.৫নি হায়না ফোঙদোকখি। য়ুহা হাখিবা অদুনা মরম ওইরগা খা থংবা...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

অথৌবশিংগী নীংশিং নুমিৎ থৌরম পাঙথোকখ্রে : প্রিপাক

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩ : পিপলস রেভল্যুসনরি পার্টি ওফ কংলৈপাক (প্রিপাক)না কুমশিং ১৯৭৯দগী চহী খুদিংগী লেপ্তনা পাঙথোক্তুনা লাক্লিবা অথৌবশিংগী নীংশিং নুমিৎ ২০১৭ লমদমসিগী চীংমী-তম্মীগা লোয়ননা মপুং ফানা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

লূপ অসিগী পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দাগী সেক্রেটরি ইন-চার্জ লৈবাকঙাকপা লুৱাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, নীংতম্বা মান্নবা খুন্নাই অমা পুরক্তুনা লমদমসিদা ঈংতপ্পা, নুংঙাই য়াইফবা খুন্নাই অমা লিংনবা লীশাং শীৎনা চথরক্লিবা নীংতম য়াওল লান্থেং অসিগীদমক থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা লৈখিদ্রবা অথৌবা-অথৌবীশিংগী নীংশিং খুভমশিংদা লৈ কৎপগা লোয়ননা মৈরা থান্দুনা রেভল্যুসনরি গন সেল্যুট পীবা অমসুং নুমিদাংগী মতমদা য়ুমথোঙ খুদিংদা মৈরা কৎপনা থৌরম অসিগী মপুং ওইবা শক্তম ওইখি। থৌরম অসি লূপ অসিগী জেনরেল হেদক্বার্টর (জি ঐচ ক্যু), ৭০৭ বট্টালিয়ন অমদি অতৈ বেজ এরিয়াশিংদা মপুং ফানা পাঙথোকখি।

জি ঐচ ক্যুদা পাঙথোকখিবা থৌরমদা পার্টি অসিগী ফাইনান্স সেক্রেটরিনা অথোইবা মীথুংলেন অমদি রেদ আর্মিগী জি-টুনা থৌরম মপু ওইদুনা পাঙথোকখি। অথোইবা মীথুংলেননা...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

LOAN AVAILABLE

AREA COVERED:
Imphal East
Imphal West
Bishnupur

- Vehicle Loan
- Pension Loan
- Service Loan
- T.V./Laptop/A.C./Refrigerator Loan

হায়রিবা শিং অসি অরাইবা মওংদা অমসুং খুদক্তা লৌবগী খুদোংচাবা পীজরি।

● 100% Free Processing (Vehicle Only)

IMPHAL FINANCE CO-OP. THRIFT AND CREDIT SOCIETY LTD.
H.O. Loklaobung B.O. M.G. Avenue, Paona International Market & Bishnupur Bazar
Please log on http://www.imphalfinancesociety.in.

HL-P/4725/11Nov-10Dec.

[illegible]

পক্কা বিল্ডিং অমা শাঙ্গরি

অয়াংপল্লি ইদেন হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী মায়োক্নবা কোংবা লাইশ্রম লৈকায়দা কা মাপল লৈবা মথক মখা শাবা পক্কা বিল্ডিং অমা শাঙ্গরি। বিল্ডিং অসি ট্যুটর হোম, ওফিস অমদি ফেমিলি পুন্না লৈবা য়ারবা বিল্ডিংনি। কনাগুম্বশিংনা পান্বীরবদি মখাগী মোবাইল নম্বরশিং অসিদা পাউ ফাওবীরকপা য়াগনি।

HL-P/075/10-14

Pliz Contact : ☎ 9862570058 / 9089810505

বি এল ও ওইহল্লিবা ওজাশিং হনহল্লক্নবা হায়জখ্রে

ওজা ৱাত্তুনা লৈরিঙৈদা ওজা ৫ ট্রান্সফার তৌখিবগী মায়োক্তা মহৈরোয়শিং প্রোটেষ্ট তৌখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩ (ঐচ এন এস) : তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসশিংদা মীখলগা মরী লৈননা বুথ লেবেল ওফিসার (বি এল ও) ওইনা শীজিন্নরিবা মশীং য়াম্লবা ওজাশিং মশা মশাগী দিপার্টমেন্টতা হলহনবীরক্নবা দিরেক্টর ওফ এদ্যুকেসন (এস)না চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসারদা হায়জখ্রে।

চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসার (সী ঈ ও)দা পীশিনখিবা অইবা চেরোল অমদা এদ্যুকেসন (এস)কী দিরেক্টর টি ঐচ কিরনকুমারনা হায়খি, মশীং য়াম্লবা ওজা কয়ামরুম তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসশিংদা মীখলগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিংদা বি এল ও ওইনা শীজিন্নবগী মতাংদা ৱাকৎ কয়া লাক্লে। হায়রিবা মীওইশিং অদু নবেম্বর ৩০ ফাওবা বি এল ও ওইনা মথৌ তৌহনখিগনি হায়বা পাউ ফংলে। মসিনা মরম ওইরগা ওজাশিং অদুনা স্কুলদা অমুক হল্লক্তুনা মহৈরোয়শিং তাকপী তম্বীবগী থবক পায়খৎপা ঙম্বগী ফীভম লৈত্রে।

THE BORAYANGBI
GOVT. UPPER PRIMARY SCHOOL
OJA WATTUNA LEIRINGEIDA TRANSFER AND UTILISE ATOPPA OOLDA TOUTHOKKHINI
YANINGDE

চৎলিবা একাদেমিক সেসন অসিগী অরোইবা চহীগী এগজাম নকশিল্লকপগা লোয়ননা ওজা ৱাৎপনা মহৈরোয়শিংদা খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্লহল্লে। ওজাশিংবু অতোপ্পা থবক্তা শীজিন্নখিবনা মহৈরোয়শিংদা চাউনা অকায়বা থোকহনবা মরম্না হৌজিক হৌজিক বি এল ও ওইনা মথৌ তৌহল্লিবা ওজাশিং অথুবা মতমদা ওজাগী শিনফমদা অমুক হঞ্জিনহনবীয়ু হায়না চেরোল অদুনা মখা তারি।

অমরোমদা, ওজা ৱাত্তুনা লৈরিবা বোরায়াংবি প্রাইমারী স্কুলদগী ওজা মঙা ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*